# চেম্পিয়ন্স লীগতা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, লিভরপুলদি রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌরে



লন্দন/বর্লিন, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু লৈবাক অদুগী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব লিভরপুল স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা জর্মনিগী ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দদা শান্নখি। মেটচ অদুগী মাংওইননা টিম অনীনা থা অসিগী ৬তা শান্নখিবা অহানবা লেগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্ফু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা জর্মনিগী ক্লব অদুবু ইংলেন্দগী ক্লব অদুনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাংগী মেটচ অদুদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ হেল্লগা মায় পাক্ত্রবদি সেমীফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈখিদবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ঙরাং মেটচ অদুদা দ্রো চৎলবসু সেমীফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা লৈবনা তেন্সন লৈতনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী বেলিংঘমনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী মহারেজনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা খূদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৫৫শুবা মিনটতা টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি। ৭৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ফোদেননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু ২-১দা থোইখিবগা লোয়নননা এগ্রিগেটতা মখোয়না বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু ৪-২দা হেল্লগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অমগী মেটচতা ইংলেন্দগী লিভরপুল অমসুং স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু টিম অনীনা থা অসিগী ৬তা শান্নখিবা অহানবা লেগতা রিয়াল মাদ্রিদনা ৩-১দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা স্পেনগী ক্লব অদু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লিভরপুলগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৬তা শান্নখিবা রিয়াল মাদ্রিদকী লম্বা অদুদা কা-হেন্না ফজবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা ১-৩দা মায়থীবা নংখিবনি। হান্নগী মেটচ অদুদা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ভিনিসিয়সনা শান্নবগী ২৭শুবা অমসুং ৬৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এসোন্সিওনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা মহমদ সালানা চনবা ঙমখি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগতা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী চেলসি থা অসিগী ২৭তা লম্বা তৌনগনি। নুমীৎ অদুগী মতুং এপ্রিল ২৮দা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি ইংলেন্দগী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অনীশুবা সেমীফাইনেল লেগ অদু শান্নগনি। টিমশিং অসিনা মখা তানা সেমীফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদু মে থাগী ৪ অমসুং ৫দা শান্নগনি।

# এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী সরিতা মোরনা গোল্ড ফংখ্রে



অলমাটি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): কজাখষ্টানগী কোনুং অলমাটিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী রেষ্টলর সরিতা মোরনা কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা মহাক্না মমাংগী চহীদা ফংখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

সরিতা মোরনা কুমজা ২০২০দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা কজাখষ্টানগী অলমাটিগী এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর সুবদোর বাটারজবকী লম্বা অদুদা হান্না শোথুরম্বদগী ফজরক্তুনা মায় পাকপা ঙমখি।

সরিতা অমদি বাটারজবকী ফাইনেল বাউট অদুগী হৌরকপদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর অদুনা ফজবা হেন্দুনা পোইন্ট ৭-১দা মাঙজিল থাখি। শান্নরোয় অনীগী লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতা ফাইনেল বাউট অদুগী হৌরকপদা ১-৩দা শোথুদুনা লৈখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা সরিতানা মহাক্কী খোঙফম শোয়খিবদগী মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটারজবনা খূদোংচাবা লৌদুনা ৭-১দা হেল্লগা লৈখি।

পোইন্ট শোথুরম্বদগী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অদুনা অকনবা মওংদা মহাক্কী মশান্নদা অহেনবা লৌ পুথোক্তুনা ১-৭তা লৈরম্বদগী পোইন্ট ৭-৭তা মান্নহনবা ঙমখি। বাউট অদুগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতানা অরোইবা মীৎকুপ্তা ফজবা মুভ অমা তৌদুনা বাউট অদু ১০-৭তা হেল্লগা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। ফাইনেল বাউট অদুগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতানা লৌখিবা পোইন্ট অদু কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়না মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর অদুগী কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা কমপ্লেন্ট তৌখি। অদুবু বাউট অদুগী তোঙান-তোঙান্না লৈরিবা জজশিংনা বাউট অদু সরিতা মোরনা অশোয়বা য়াওদনা ঙমখিবনি হায়বগী ৱারেপ পীখিবনা কমপ্লেন্টশিং অদু মখা চত্থখিদে।

কম্পিটিসন অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী সিমা ভিস্লা (কেজি ৫০) অমসুং পুজা (কেজি ৭৬)না মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল মেটচশিং অদু উজবেকিষ্টানগী জস্মিনা ইমেভা অমদি কজাখষ্টানগী এলমিরা সিদিকোভাগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

# ক্লাসা এফ সীনা নেরোকা এফ সী থোইখ্রে, এস য়ু অমসুং কে আই ৱাই সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অমদা ক্লাসা এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে আই ৱাই সী অমদি এস য়ু দ্রো চৎখ্রে।

লম্ফেলোংখোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা মেটচতা ক্লাসা এফ সী অমসুং নেরোকা এফ সী লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লেং মান্নবা শান্নবা ঙমদুনা পাঞ্জল চন্নবগী তাঞ্জা অমত্তা ফংদনা লাকখি।

শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা ক্লাসা এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ শিতলজিৎনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লখি। মখোয়না পুশিনখিবা বোলশিং অদু ক্লাসা এফ সীগী দিফেন্স লাইন অদু লানশিনবা ঙমখিদে। শান্নবগী অপীবা মতম অদু য়ৌগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা হোৎনবা লেপখিদবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ এন লাইবকচাওনা ইক্কেলাইজর অদু ৮৩শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল হাপ্তুনা মায় পাক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা ক্লাসা এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ এন মোমোচানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নেরোকা এফ সীবু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কে আই ৱাই সী অমসুং এস য়ু সগোলবন্দ লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অঙনবা শরুক ১১শুবা মিনটতা কে আই ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ য়ামি লোংভানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইক্কেলাইজর ফংদনা লৈখি। ২শুবা হাফকী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২৭ এলমিনহাও কিলোংনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

# শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লবকী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম অমদি শান্নবগী অতোপ্পা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

এল এম এল সী সী (লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব), লাংমৈদোংগী ওফিসতা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১দা শরুক য়াগদবা ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিংদা মেয়র স্পোর্টস প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি নিটিন অমদি থাঙ্গাল বজারদা লৈবা ভারতিয়া স্পোর্টসকা খূৎশম্ন দুনা শান্নরোয়শিংগী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়না এল এম এল সী সীগী সেক্রেটরি সী ঐচ মনিশোরনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙসি এল এম এল সী সীগী শান্নরোয়শিং অদুদা মখোয়না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা শীজিন্নগদবা য়ুনিফোর্ম, খোঙউপ, মোজা অমদি বোলশিং অদু মেয়র এম দি নিটিন অমসুং ভারতিয়া স্পোর্টসনা পুল্লগা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী এদিসেনল এস পি য়ুম্নাম জয়রাজ য়াওরগা পোৎলমশিং অদু পীখিবনি।

# ৱাই দি সীনা দি য়ু সী মায়থীবা পীখ্রে, এস দব্লিয়ু ৱাই সীবু দব্লিয়ু ৱাই এফ সীনা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংজিংগী কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা এল মেমচা মেমোরিয়ল সুপর লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সীনা দি য়ু সীবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু ৱাই সীবু দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

এল মেমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচতা ৱাই দি সী অমসুং দি য়ু সী লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ শান্নবগী অনীশুবা মিনটতা ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ এস ধনবিরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙল্লবা ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা অথুবা মতমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ এস প্রেমনা ৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না দি য়ু সীবু ২-০দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ২ শোথুরবা দি য়ু সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ঙন্না শোথুখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা টিম অদুনা হোৎনখিবা অদুগী মতুংইন্না জর্সি নম্বর ১৪ এস ওইদিটনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি।

মেটচকী মখা চত্থরকপদা ইক্কেলাইজর ফংননবা দি য়ু সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরবসু ৱাই দি সীগী দিফেন্দরশিংবু লান্থোকপা ঙমদনা মেটচ অদু মখোয় ১-২দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুংথিল অঙনবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু ৱাই সী অমদি দব্লিয়ু ৱাই এফ সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী পুংখায় অমা ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। লম্বা মান্ননা শান্নরকপনা মরম ওইরদুনা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৯ অলবিসননা ৩৬শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা এস দব্লিয়ু ৱাই সীনা মখোয়না শোথুখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা শান্নরক্লবসু কান্নবা ফংদনা লৈখি। মেটচ অদুগী মখা চত্থরকপা ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙল্লিবা দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৪ এ ইন্দ্রজিৎনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এস দব্লিয়ু ৱাই সীবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল ২ শোথুরবা এস দব্লিয়ু ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা হোৎনখিবা পূম্নমক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা মেটচ অদু মখোয় দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীহৌখি।

# এল এস আই সী (এ) লম্লাইনা এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): ৱাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শীন্দুনা লম্লাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ৭শুবা ইবুধৌ খল্লাংবম কপকী ঙসি হৌদোকপা নুমীৎকী মেটচতা এল এস আই সী (এ) লম্লাইনা এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৬ থোক্লা লম্বা তৌনরিবনি। গ্রুপ এদা এল এস আই সী (এ) লম্লাই, এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবম অমসুং এন এন সী কে এ নোংরেননা লম্বা তৌরি।

গ্রুপ বিদা ও এফ এ পুংদোমবম, শৈজাং এফ সী অমসুং ইতম নুংওল এফ সী শান্নগনি।

গ্রুপ সীদা য়ু কে এফ সী উয়ুমপোক, য়াইফথোই এফ সী সেক্তা অমদি ও এন ৱাই সী ওক্সু নিংথেমচা খুল লম্বা তৌনগনি। গ্রুপ দিদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ, ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুং অমসুং লনগৈ এফ এ নোংপোক সঞ্জেনবম শান্নগনি। গ্রুপ ঈদনা এল এস আই সী বি লম্লাই, সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ অমসুং বি এস য়ু (বি) নোংপোক ককচীং লম্বা তৌনগদৌরি। লোয়ননা গ্রুপ এফতা ৱাই দি সী এল পুংদোংবম, ইমোইনু টিম য়াইঙংপোকপী, য়ু ৱাই পি এ নোংদম অমসুং দি এস য়ু (এ) নোংপোক ককচীংনা শান্নগদৌরিবনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমীৎতা এম পি সী সী মণিপুর লম্লাই এ সীগী মেম্বর অচোইবম দেবেননা চীফ গেষ্ট ওইখি। নোংদ্রেন চীংনুংখোক গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান নোংথোম্বম মোহোরিনা প্রসিদেন্ট ওইরগা নোংপোক ককচীং, নোংরেন অমদি চীংনুংখোক গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর ময়াংলম্বম ঙানবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ঙসি ৭শুবা ইবুধৌ খল্লাংবা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা এল এস আই সী (এ) লম্লাই অমসুং এল এ এল এম এফ সী নোংপোক সঞ্জেনবম লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ৮শুবা মিনটতা এস এস আই সী (এ) লম্লাইগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ এম নাওচানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবমবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী মখা চত্থরকপা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল ১ শোথুরবা এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবমগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্কেলাইজর থিরকখিবা অদু ফংদনা লাকখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এল এস আই সী (এ) লম্লাইগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি জিতেননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এল এ এল এম এফ টি নোংপোক সঞ্জেনবমবু ২-০দা থোইখি।

# টি সী এম দি সী, এস সী সী সী, সাইক্লোন অমসুং ব্লু হোক অহুমশুবা এম এন সী এ লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা এম এন সী এ লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ২০২১দা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা টি সী এম দি সী থোংজু, এস সী সী সী শীংজমৈ, সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ব্লু হোক খুরাইনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচতা টি সী এম দি সী থোংজু অমদি পি এস সী খোয়াথোং লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী টোস টি সী এম দি সীনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা পি এস সী খোয়াথোংগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১১৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন প্রসান্তনা ওপনর ওইদুনা বোল ২০দা রন ৩১ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর অদু পীবা ঙমখি। অতোপ্পা ওপনর সুরচান্দ অমদি ৯শুবা বেটসমেন রঞ্জননা রন ১৯/১৯ লৌরম্লগা টিমগী অপূনবা স্কোরদা মতেং পাংখি।

মায় পাক্নবা রন ১১৫ লৌনবা হোৎনরকপদা টি সী এম দি সীগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন তোন্দোননা রন ৪০ লৌখিবা, লোয়ননা ওপনর প্রিয়োব্রতানা রন ৩১ লৌখিবা অদুনা মপূং ওইরগা ১৮শুবা ওভরদা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১১৮ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস সী সী সী শীংজমৈ অমসুং কে সী সী কোংবা বজার লম্বা তৌনখি। মেটচকী টোস এস সী সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১১৩ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন কিষননা রন ৩১ অমদি ৯শুবা বেটসমেন বোরিশনা রন ২৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মেটচ অদু থোইননবা কে সী সী সীগী মায়কৈদগী রন ১১৪ য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা রন ৯৮ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু এস সী সী সী শীংজমৈনা রন ১৫দা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই য়ু সী সী অমসুং সাইক্লোনগী লম্বাদা টোস অদু ৱাই য়ু সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর য়ৌদ্রিঙৈ ১৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৪১ খক লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী রন ১০ য়ৌবা বেটসমেন অমত্তা য়াওখিদে।

সাইক্লোনগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী রন ৪২ অদুদগী হেন্দোক্লগা ৭শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট অমখক আউট ওইরগা রন ৪৫ লৌদুনা মেটচ অদু সাইক্লোননা ৱিকেট ৯দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ব্লু হোক খুরাই অমসুং সী আর এ য়ু খম্নাম বজার লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী টোস সী আর এ য়ু খম্নাম বজারনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। সী আর এ য়ুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১০২ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী অহুমশুবা বেটসমেন বিনা বোল ৫৫দা রন ৫৩ লৌদুনা টিম অদুগী ইন্নিংসতা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙন্বা শান্নরোয় ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন মংলেমনা রন ১২ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখোয় অনী নৎতনা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

ব্লু হোককী মায়কৈদগী বোলর রোমারিওনা সী আর য়ুগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। মহাক্তা নৎতনা অতোপ্পা টিম অদুগী বোলর গৌতমনা সী আর এ য়ুগী বেটসমেন ৩ আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফজবা বোলরশিং ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্নবা ব্লু হোক খুরাইগী মায়কৈদগী রন ১০৩ লৌননবা হোৎনরকখিবা অদু শান্নবগী ২০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৫খক আউট ওইরগা রন ১০৫ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না সী আর এ য়ুবু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখি।

ব্লু হোককী মায়কৈদগী ওপনর সেমসননা রন ২২ লৌদুনা টিম অদুগী ইন্নিংস ফজহনবা ঙমখি। অদুবু অতোপ্পা ওপনর দেনিএল রন ১দা আউট ওইখি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা বেটসমেন সনাতোম্বা অমদি শিবজিৎনা য়াম্না ফজবা মওংদা মথংশিৎনা রন ৩৫ অমসুং ৩০ লৌদুনা টিম অদুগী মায় পাকপগী লম্বেল অদু নকশিনহনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ইন্নিংস লোইশিল্লকপগী বোল ৫ ৱাৎলিঙৈদা রন ১০৫ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না সী আর এ য়ু খম্নাম বজারবু ৱিকেট ৫দা থোইখি।

# অদিটি চৌহাননা আইসলেন্দগী ফুটবোল ক্লবকা খূৎয়েক পীনদুনা য়ুরোপতা প্রোফেসনেল ফুটবোল কন্ট্রেক্ট ফংবা ইন্দিয়াগী ২শুবা শান্নরোয় ওইখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী নম্বর ৱান গোলকিপ্পর ওইরিবা অদিটি চৌহাননা আইসলেন্দগী ফুটবোল ক্লব হামার বেহরাগর্দিগা খূৎয়েক পীনদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল পুৱারীদা অনীশুবা শান্নরোয় ওইনা য়ুরোপকী প্রোফেসনেল ফুটবোলদা শান্নবা ঙমগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা ওইনা মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্সকী ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা খূৎয়েক পীদুনা হৌজিক-হৌজিক টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারিবনি।

বালাগী মথংদা অদিটি চৌহাননা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লব অমগা খূৎয়েক পীনবা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অদিটি চৌহাননা আইসলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল লীগ সিষ্টমদা অহুমশুবা দিভিজনদা লৈরিবা হামার বেহরাগর্দি ফুটবোল ক্লবতা শান্নগদৌরিবনি। হায়রিবা ক্লব অসি আইসলেন্দগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংনা মমিং লৈরবা ক্লব অমনি। অদুবু টিম অসিনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০২০দা নুপীগী ফুটবোল টিম অমা শেমদুনা থর্দ দিভিজন ফুটবোলদা শরুক য়ারকখিবনি।

মমাংগী চহীদা ক্লব অসিনা শান্নবা হৌরকপা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরিঙৈদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মখা তাবা মেটচশিং শান্নবা ঙমখিদবনি। অদিটি চৌহাননা টিম অদুগী গোলকিপ্পর ওইনা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা য়ুরোপকী প্রোফেসনেল ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা শান্নবা ঙম্বা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরি।


COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
TEST SERIES 2021
ENROLMENT OPEN FOR
NEET-UG (Medical) 2021
Date of Form Issue from :- 06/04/2021
Seats are Limited
Enrolment on first come first serve basis of admission
For details please contact :- COMET office between 10am to 4pm, New Block, Keishamthong Top Leirak Maning
HL-B/6925/12-18 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com